## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহনগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা লাউথোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১১ দা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা মণিপুরদা আই এল পি এক্সটেন্দ তৌরকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ৱান মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন দোরেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা চহী কয়াদগী আই এল পি চৎনহনবীয়ু হায়না ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মহৈরোয় রোবিনহুদকী থৱায় কৎখ্রবনি। দিমান্দ অসি সেন্টর অমদি ষ্টেটতা পাল্লিবা লৈঙাক্লা পীবীরকখিবা হায়বসি পুৱারীদা লৈহৌরগনি। আই এল পিনা য়েলহৌমীগী শক্তম কনবতা নত্তনা সী এ বিদসু এগজেম্প তৌরকপা হায়বসি অনী থোক্লা কান্নবা ফংবনি। দিমান্দ অসি ফংনবা হোৎনবদা থৱায়-হকচাং য়াওখিবা ইমা-ইবেল, সী এস ও অমদি মীয়াম্বু তৌবীমল খঙবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মখা তারকপদা মণিপুর মীয়াম্না অমত্তা ওইনা পুকচেল তীন্ননা তংদু-লৈতাবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): ভেটরান মণিপুরী স্ক্রিপ্ট রাইটর আর কে সনাতোম্বনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিএসন (কাটা) গী জেনরেল সেক্রেটরি কিষন লোংজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্ক্রিপ্ট রাইটর আর কে সনাতোম্বা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮ দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা য়াইস্কুলদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদে। আর কে সনাতোম্বনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম মৈচাক্কী স্ক্রিপ্ট রাইটর ওইখি। ৱাংমা-ৱাংমা, থম্বালনুনচিংবা ফিল্মশিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। মহাক্না মণিপুরী সিনেমাগীদমক হোৎনরম্বা কয়া অদু নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর মীয়াম্না মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা আই এল পি চৎনরগনি হায়না লাউথোরকপদা মণিপুর কবুই য়ুনিয়ন্না চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎলি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল লনবোই কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংবু নুংশিবা অমদি য়োকখৎপা পাম্বগী ৱাখল্লোন লৈবা চীফ মিনিষ্টরনি। মতম কুইনা মহাক্কী লৈঙাক্লা মণিপুর ইমাগী থবক তৌবা ওইসনু। মরমদমবু নুংশিবা মীওই অমসুনি। অনা-অয়েক য়াওদনা পুন্সি-নুংশাংনা লৈবা ওইরসনু।

মতম শাংনা তান্দুনা লাক্লবা আই এল পি চৎনহল্লকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা আই এল পি চৎনহন্নবা থাজবা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা মসিবু থবক্তা ওন্থোরক্তুনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহন্নবা নোটিফিকেসন থোক্লকখিবনি। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তারি।

## ঐচ আর দি একাদেমীগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট একাদেমী, ঘড়ীগী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি একাদেমী অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী ঈ এন টি কন্সল্টেন্ট ডা. মোইরাংথেম নিতেশ্বরনা স্পেসল গেষ্ট ওইখি। ঐচ আর দি একাদেমীগী প্রিন্সিপাল কমখ্যা কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। একাদেমী অসিগী অহানবা বেটচকী মহৈরোয় চান্দম বোবো, এম সী এস, অহুমশুবা বেটচকী ক্ষেত্রিময়ুম রুহিকুমার, আই পি এস, মঙাশুবা বেটচকী রমানন্দ নোংমৈকাপ্পম, এম সী এস, মঙাশুবা বেটচকী সত্যম তখেল্লম্বম, এম পি এস, ১১শুবা বেটচকী ডা. মাইস্নাম বিদ্যাসাগর, মেনেজিং কম্মিটি ঐচ আর দি একাদেমী অমদি ঐচ আর দি একাদেমীগী সেক্রেটরি টি ঐচ রনদিরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ঐচ আর দি একাদেমীগী মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. এম বিদ্যাসাগরনা ফোঙদোকখিবদা, অফবা মহৈরোয় কয়া মণিপুর খক্তা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা থবক তৌরি। হ্যুমেন রিছোর্সতা অফবা কয়া পুথোক্লি। ইনষ্টিট্যুসন অসিসু অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লি। টেলেন্ট লৈবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। স্কুল অসি লিংখৎপা চহী ২৩ মপুং ফারে। চহী ৪ চুপ্না হায়র সেকেন্দরি এগজামদা অহানবা পোজিসন স্কুল অসিনা পুথোকখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা স্কুল কেলেন্দর ফোঙখি। মহৈরোয়শিংনা এক্সটেম্পর স্পিচসু পীখি। স্কোলারশিপ এৱার্দসু য়েন্থোকখি। বেষ্ট ষ্টুদেন্ট ওফ দি ইয়ার ২০১৯ সু খনখি হায়রি।

## সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা নেফিসনা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) না মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লি, কেন্দল লাইট ভিজিল অমদি প্রোটেষ্ট দেমোন্সত্রেসন কয়াসু চথুরি হায়না নেফিসকী মণিপুরী য়ুনিট মেম্বর হুইদ্রোম রিমা চনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নেফিসনা ঙরাং ওল ইন্দিয়াগী দেমোন্সত্রেসন চথখিবগী শরুক অমা ওইনা মফম কয়াদা কেন্দল লাইট ভিজিল অমদি প্রোটেষ্ট দেমোন্সত্রেসন চথখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পস অমদি দিল্লি অমসুং চান্দিগরগী নেফিস য়ুনিটনা শীন্দুনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটি অমদি পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতসু খোঙজং চঙশিনখি। অসাম, ত্রিপুরা অমদি মফম কয়াদা ষ্টেটশিং অদুগী লৈঙাকশিংনা চথবা ভাইওলেন্সকী থবক থৌওংশিং নেফিসনা কন্দম তৌই। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবনি। কম্ম্যুনেল ওইবা মওং অসি য়ানিংদে। মাইনোরিটি কয়া অমা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিনা কোনশিন্দে। শ্রীলঙ্কা অমদি ম্যান্মারদসু মাইনোরিটিশিংনা পার্সিক্যুসন মায়োক্লদুনা লৈরিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা রোহিঞ্জাশিংবু হলহনখিনবা খোঙথাং কয়া অমদি লৌখৎপা লৈখি।

নেফিসনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি কন্দেম তৌই। কম্ম্যুনেল ওইবা অসিগুম্বা মওং অসি য়ানিংদে। প্রোটেষ্ট দেমোন্সত্রেসন কয়া চথবগী শরুক অমা ওইনা নেফিসনসু প্রোটেষ্ট দেমোন্সত্রেসন চথবনি। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি অন-কনষ্টিট্যুসনল ওই। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং ভাইওলেট তৌই। মীয়ামগা নীংথিনা তানফম থোকই। পার্লিয়ামেন্টতা অসিগুম্বা বিল অসি পুথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা মীয়ামগা তানফম থোকপনি। বিল অসি য়ানিংদবনা মরম ওইরগা নেফিসনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা কেম্প্যেন অমদি প্রোটেষ্ট কয়া চঙশিল্লকপনি।

নোর্থ ইষ্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা সী এ এগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অসাম অমদি ত্রিপুরাদা মীয়াম্না ঈহৌ কয়া চঙশিনবদা মীশি-মীনা অমসুং অশোক-অপন কয়া থোকপগী থৌদোক লৈরি। সী এ এ অসি য়ানিংদবদগী মীয়ামগী ঈহৌ লাকপনি হায়রি।

## নুংশি-চান্নবগী মরী শাগৎপগী ৱাখল্লোন্দা নিংঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): নুংশি-চান্নবগী মরী শাগৎপগী ৱাখল্লোন্দা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তলুই ভিলেজদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ মঙ্গলোইদ, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লানবোই কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনাইটেদ মঙ্গলোইদনা তলুই রেজিং য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্ননা শীন্দুনা নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তলুই ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখি। বোন ওফ লভ হায়বা থীমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী নিংঙোল ১০০ রোম্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। লমদমসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। য়ুনাইটেদ মঙ্গলোইদকী মায়কৈদগী নিংঙোলশিং অদুদা ঙমজবা অচম্বা খুদোলপোৎ কয়াসু তমখি। মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নিংঙোলশিং য়াওনা চাক চামিন্নদুনা মচিন-মনাও ওইবগী মরী শাগৎমিন্নবা থৌরম অমসুনি। থৌরম অসিদা মচিন-মনাও ওইবা অমদি নুংশি-চান্নবগী ৱারী কয়াসু শানখি হায়রি।

## ভি দি এফ পর্সনেল দামরৈদমনা কাংপোকপী পুলিসকী অহানবা আইদোল ওইরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস খক্কীদা নত্তনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী অহানবা আইদোল ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনদা পোষ্টিং লৈরিবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ) পর্সনেল দামরৈদমবু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অহানবা আইদোলনি হায়না খনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী আইদোল খনবগী চাংদম্নবা অসি এদভেন্ট খৃষ্টমাস সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি। চাংদম্নবা অসিগী গ্রান্ট ফাইনেলদা দমরৈদমনা মহাক্কী রাইবেল ওইখিবা গমনোম-সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী রিজার্ভ লাইনদা লৈবা ভি দি এফ পর্সনেল হাওখোলাল কিপগেন অমসুং কন্সটেবল চোনমিনলান দোঙেলবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

পুলিস আইদোল অসিগী লুহুপ উপখ্রবা দমরৈদমদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০ পীখি। অদুগা কম্পিটিসন অসিগী অহানবা রন্নরস অপ অমসুং অনীশুবা রন্নরস অপকী রেঙ্কতা লাকখ্রবশিংনা লুপা ৭,৫০০ অমসুং লুপা ৫০০০ গী শেলগী মনাশিং পীখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না লাইভ ম্যুজিকেল কন্সর্ট অমসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখি।

পনবা য়াবদি, পুলিস আইদোল খনবগী গ্রান্ট ফাইনেল অসিদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং ওইরিবা খৃষ্টোফর দোঙেল অমসুং আই কে মুইভাসু শরুক য়াখি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পুলিস পর্সনেলশিংগীদমক ফিটনেস ক্লব অমসুং পুলিস আইদোল ইন্ট্রোদ্যুস তৌবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওইরে হায়রি।

## প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোকখ্রে, মকোক-মথং তারবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সেন্টরগী ১৬লকশুবা বেষ্ট ওফ অম্মিক ২০১৯ প্রিলিমিনরি রাউন্দ থা অসিগী ১৪ দা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। শৈশকপা অহুম খনগৎখ্রে হায়না অম্মিক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শৈদান্নবা অদুদা থৌবাল ৱাংমতাবদগী লাইশ্রম সপানানা অহানবা পোজিসন তাখি। মহাক্না ইরৈমা দ্রিঙ্কিং ৱাটর পেকেজগী প্রোপ্রাইটর ওক্রম হেনরিনা কৎপা লুপা লিশিং ৫ গী এৱার্দ ফংখি। লাঙথেল মমাঙ লৈকায়দগী মোইরাংথেম লক্ষ্মীনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ওক্রম সুরেশ, গৌরা ওপসেট প্রোপ্রাইটরনা কৎপা ওক্রম গৌরা মেমোরিয়ল এৱার্দ ওইনা লুপা লিশিং ৪ ফংখি। হৈরোক পার্ট থ্রীদগী মোইরাংথেম সমানন্দনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ওক্রম সুরেশকুমারনা কৎপা লুপা লিশিং ৩গী এৱার্দ ফংখি। লৈশাংথেম খোং মনুংদগী হুইদ্রোম কবিতানা বেষ্ট দিসিপ্লিন এৱার্দ ফংখি। নিঙোম্বম জৱাহরলালনা কৎপা লুপা লিশিং ২গী কেস এৱার্দ ফংখি। খনগৎলবা দিষ্ট্রিক্ট সেন্টরগী শৈশকপশিংনা গ্রান্দ ফিনালেদা শৈদান্নবা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): এফ সী আই গোদাউনদা থবক শুরম্বা শিন্নী ৮০ বু করিসু খঙহল্লম্বা তৌদনা থবক্তগী লৌথোকপগী থৌওং ওল মণিপুর ন্যুজ পেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সুরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অথুবদা লেবর দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুবীরকউ। করিগুম্বা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি এসোসিএসন অসিনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চোংথাম দিপুনা খোমজিন্দুনা ইংলিসতা পুথোকপা *ওটম বদস* হায়বা শৈরেং লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : অঙোম নিংথৌ প্রিজর্বেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টর ইম্ফালনা শিন্দুনা হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা চোংথাম দিপুনা খোমজিন্দুনা পুথোকপা ইংলিস লোলদা হন্দোকপা ‘ওটম বদস’ হায়বা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। শৈরেং লাইরিক অসি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লোল ১৮দা ইবা শৈরেংশিংবু খোমজিন্দুনা ইংলিস লোলদা ট্রন্সলেট তৌদুনা পুথোকপা শৈরেং লাইরিকনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ওটম বদস হায়বা ইংলিস লোলদা ট্রান্সলেট তৌদুনা পুথোক্লিবা অমসুং অইবা অমসু ওইরিবা চোংথাম দিপুনা হায়, ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লোলশিংদা ইবা ফজরবা শৈরেংশিং ইনিদয়াগী মীপুম খুদিংনা পাদুনা খঙননবগী পান্দমদা ইংলিস লোলদা হন্দোক্তুনা শৈরেং লাইরিক অসি পুথোকপনি। মণিপুরদা ইবা নত্রগা করিগুম্বা ইনিদয়াগী লোল অমদা ইবা শৈরেংশিং ফনা য়াম্না ফজবা ওইরগসু শৈরেং ইরিবা লোল অদু খঙদবনা মরম ওইদুনা ফজবা শৈরেং অদুগী ৱাহন্থোক খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা মীয়াম্না খঙনবা লোল ইংলিসতা হন্দোক্তুনা পুথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবি দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল ডা. চুংখাম শীলারামনীনা ফোঙদোকখিবদা শৈরেং লাইরিক অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লোলশিংদা ইবা ফজরবা শৈরেং কয়া য়াওরি। হান্না ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লোলশিংদা ইরম্বা মরমনা ফজবা শৈরেং ওইরগসু শৈরেং অদুগী ফজবা ৱাহন্থোক খঙলমদনা লৈরম্বদু ইংলিসতা হন্দোক্তুনা মালেম পুম্বনা খঙনবা হোৎনরকপা অসি য়াম্নক অফবা খোঙথাং অমনি। লোয়ননা সাহিত্যগী লম্দা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ফোর্মর ভাইস চাঞ্চলর প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র অমদি আই এ এস ফমদগী পোৎথারবা কে রধাকুমারসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা লমদম অসিগী সাহিত্যগী লম্দা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## সী এ এগী মায়োক্তা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফম্লগনি : মেনপেক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): এন্টি সী এ এগী খোঙজংদা মেনপেক্কী ৱাকৎ মীফম কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ফম্লগনি হায়না মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল (মেনপেক) কী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মেনপেক্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দা লময়ানবা শঙলেন্দা সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ঈহৌগী রিভিয়ু মীটিংগী মঙাশুবা ৱারেপনা থা অসিগী ১৭ তা ৱাকৎ মীফম ফম্নবা লেপ্পখি। কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফম্লগনি। ৱাকৎ মীফম অসি মরুওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট পুম্বদা সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ লৈনা লৈনা সী এ এ চৎনবা হৌখিবগী মায়োক্তনি। আই এল পি অমদি তরুকশুবা সেদ্যুল চৎনবা ষ্টেটশিংদা সী এ এ এক্সটেন্দ তৌদে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

ঙাক্লৌশিং অসিনা কোনশিন্দবা ষ্টেটশিং হায়বদি অসাম, ত্রিপুরাদা সী এ এ চৎনরকপগী খোয়শাউনরবা মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিল্লি। ত্রিপুরাগী ওইনদি ষ্টেট অদুদা হান্ননা লৈখ্রবা বেঙ্গোলি ইমিগ্রেন্টশিংনা য়েলহৌমীশিংদা ফুবা চৈবদা নত্তনা মীওই কয়া হাৎখ্রে। ত্রিপুরাদা লৈবা ঙমদদুনা চীংদা লোৎতুনা হিংনবা হোৎনরি। অসামগী ওইনসু মীয়াম হুপ্না ঈহৌ হৌরি। ওফিস কয়া, গাড়ী কয়া মাঙ-তাকখ্রে। ঙসি ফাওবদা য়ানবা পুরকপগী ৱাফম লৈত্রি। মেনপেক্না অসিগুম্বা অৱাবা নংলিবা নেফিফকী ফেদরেটিং ষ্টেটশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। সোলিদরিটি উৎপা ওইনা ৱাকৎ মীফম অসি ফম্বনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীয়ু। ঐখোয় পুম্বা কল্লু। ৱাকৎ মীফম অসিদা সী এ এ য়ানিংদবা ঈহৌ শৌগৎলিবা ইরৈচাশিংনা শরুক য়াবীয়ু। অসাম, ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেটশিংদা হৌজিক সী এ এবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ হৌরি। মীশি-মীনা, অশোক-অপন কয়াসু য়াওখ্রে। মসিদা সোলিদরিটি উৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লাঙ্গোলদা টেষ্টিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউট এন্দ গাইদনা শীন্দুনা কুমজা ২০১৭-১৮ অমসুং ২০১৮-১৯গী ওইনা অপূনবা গভর্ণর এৱার্দ টেষ্টিং কেম্প থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা এসোসিএসন অসিগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈবা ষ্টেট ট্রেনিং সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়না ষ্টেট সেক্রেটরি টি ঐচ হেরামনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কেম্প অসিদা উখ্রুল, তমেংলোং, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, সেনাপতি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী লাকপা স্কাউট ১৮ অমদি গাইদ ৩৮ না শরুক য়াখি। কেম্প অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউট এন্দ গাইদকী ষ্টেট চীফ কম্মিস্নার টি ঐচ ইবোপিশক, রিজনল ওর্গনাইজিং কম্মিস্নার ওফ সাউদর্ন রিজন বেঙ্গলোর বিরেন্দ্রকুমার, ষ্টেট কম্মিস্নার গাইদ এল লক্ষ্মীনা চীফ গাইদ, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কেম্প অসিদগী খনগৎলবা মায় পাক্লবা গাইদশিংনা রাষ্ট্রপতি এৱার্দ ফংনবগীদমক নেসনল/রিজনল লেভেলদা পাঙথোকপা টেষ্টিং কেম্পতা মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অইবা ২গী শৈরেং লাইরিক অনী ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): রঘু লৈশাংথেমনা ইবা শৈরেং-লাইরিক *লৈই* অমসুং *মমিশিং* অমদি নোংমাইথেম সিংহজিৎনা ইবা শৈরেং-লাইরিক *ঐগী কেনবাস* ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙখ্রে।

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল), অৱাং পোৎশংবম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই এস কাংজমনা চীফ গেষ্ট অমদি ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি। রঘু লৈশাংথেমগী লৈই অমসুং মমিশিং হায়বা শৈরেং-লাইরিক অসিগী মরমদা ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এম প্রিয়োবর্ত্তনা ৱা ঙাংখি। নোংমাইথেম সিংহজিৎকী ঐগী কেনবাস হায়রিবা লাইরিক অসিগী মতাংদা সী ৱেব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বনা ৱা ঙাংখি।

রঘু লৈশাংথেমনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না তৎতনা হংলিবা ৱাহংদি শৈরেংনা কৈদৌরুগনি হায়বা অসিনি। হংনিংবা ৱাহং হংলবসু খুন্নাইগী চাউখৎ মায়কৈদি কলমনা পুরকই। সাহিত্যগী মীৎয়েংদা হৌখ্রবা মতমগী অপূনবা লান্থেং কয়া ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্বা পাম্বেনি হায়না লৌই। শৈরেংদা য়াওরিবা ৱাহৈশিং অচম্বা নত্তে। শৈরেংগী আর্ট হায়বসি খুন্নাই অদুগী পুন্সিরোলগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এন এস সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, অঙাং ওইরিঙৈদগী সাহিত্যবু পামজনা হৌরকখি। পুন্সিদা আউটবুক খ্বাইদগী পাবা মতমসি ক্লাস সিক্স তন্লিঙৈদনি। মতম অদুদা য়াম্না পামজখিবসি ৱারীমচা অমদি নোভেলনি। বাংলা সাহিত্যদগী হন্দোকপা লাইরিকশিং দেবদাসনচিংবা কয়াসু নীংশিংলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সাইন্টিফিক কল্টিভেসনগী ট্রেনিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সী এ য়ু, লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা সাইন্টিফিক কল্টিভেসন ওফ ভেজিটেবল ইন এন ঈ ঐচ রিজন হায়বা হীরমদা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী এ য়ু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়না সী এ য়ুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর ডা. ইন্দিরা থৌনাওজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ট্রেনিং অসি আই সী এ আর-এ টি এ আর আই, মেঘালয়ানা স্পোন্সর তৌবনি। থা অসিগী ১১দগী ১৩ ফাওবা ট্রেনিং অসি চথখি। ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা দিরেক্টোরেট ওফ ইন্সত্রক্সন সী এ য়ুগী দিরেক্টর ডা. বসন্তনা চীফ গেষ্ট, দেপ্যুটি দিরেক্টর রিছার্স সী এ য়ু ডা. টি ঐচ রোবিন্দ্রো, দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. ৱাই বেদজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। সী এ য়ু ইম্ফালগী এক্সটেন্সন এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর ডা. আর কে শাহনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা সী এ য়ুগী ডা. টি ঐচ রোবিন্দ্রো, ডা. দিনচন্দ্র, ডা. দিপক, এ আই সী আর পিগী সাইন্টিষ্ট ডা. নবকিশ্বর নোংমাইথেম অমদি ডা. এল সোফিয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইখি।



ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST
Date Sub.
13/01/20 English
15/01/20 S. Science
18/01/20 Maths
20/01/20 Science
22/01/20 Adl. Sub.
24/01/20 MIL
Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
HL-P/5855/4/12-4/01

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30) 5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls. ➡ Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 8413855751